**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 31-07-2025)**

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-শ্রীমতি পুজা এলাংবমনা সভাপতি ওইদুনা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৱাটর এন্দ সেনিটেসন মীসনগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা মীফম অদুদা জিলা অসিদা ৱাটর সপ্লাই অমসুং সেনিটেসনগা মরী লৈনবা হীরমশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি হায়রি। মীফম অদুদা পি.ঐচ.ই.দি. বিষ্ণুপুরগী ইগজ়কিটিব ইঞ্জিনিয়ারনা জিলা অদুদা পায়খৎলিবা জল জিবন মীসন-হর ঘর জলগী মতাংদা মরিক চুন্বা ৱাফমশিং থমখি। দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা জিলা অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্তা থকবা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা অমদি সেনিটেসন নীংথিনা পায়খৎনবা খঙহনখি। মহাকা হায়-ঈশিং অমসুং সেনিটেসন হায়বসি মীওইবা অমগী হকশেলগী ফিভম ফনা থম্বদা য়ামা মরুওইবা মচাক অমনি।

জল জিবন মীসন মীপুম খুদিংমক্তা য়ৌহন্নবগী মরুওইবা অদু পল্লদুনা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়- ইং ২০২৬ কী দিসেম্বর ফাওবদা জিলা অসিগী য়ুমথোং খুদিংমক্তা থকবা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনগদবনি।

**বিনোই (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম ষ্টেট ব্লড সেল, ষ্টেট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুর অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেসনা পুন্না শিনদুনা ঙসি ৱার্ল্ড ব্লড দোনর ডে-২০২৫ পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবালগী দি.আই.ই.সি. হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা হীরমদি-'গিব ব্লড, গিব হোপঃ টুগেদর ৱি সেফ

লাইফস’ হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জিলা অসিগী এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অরিবম অমরজিৎ শর্ম্মানা হায়-ঈ পীবা হায়বসি ঐখোয়গী ইশাদা মাঙজবা লৈতে। ঈ পীথোকপনা মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙমগদৌরিবনি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ব্লদ দোন্নর ২১ দা বেটচ অমসুং সার্টিফিকেটশিং পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**নোং ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল বিভাগ-ইম্ফাল সেন্টরগী পাউ মতুং ইন্না রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি অমসুং হয়েং ময়াই ওইরপ নোং চুগনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলগী মফম কয়াদা ঙসি মিলিমিটর ৫০ দগী ৭৫ ফাওবগী চাংদা নোং চুগনি। হয়েংনা তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে অমসুং ফেরজোলগী মফম কয়াদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি।

ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগনা থাদোরকপা নুমিৎ খুদিংগী অইং আশাগী পাউ মতুং ইন্না ঙসি ককচিংদা নোং চুখিবগী চাং অসি মিলিমিটর ৩৫ নি। তমেংলোংদা মিলিমিটর ২৫.৪ নি, তেংনৌপলদা মিলিমিটর ২৪, চুরাচান্দপুরদা মিলিমিটর ২৩.৮, নোনেদা মিলিমিটের ১৪.৮, বিষ্ণুপুরদা মিলিমিটর ১৪.৪, ইম্ফাল ইষ্টতা মিলিমিটর ১০.৩ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতা মিলিমিটর ৭.২ গী চাংদা নোং চুখি।

মেট দিপার্টমেন্টনা হায়-অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম কয়া য়াওনা লৈবাক অসিগী মফম খরদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং কন্না চুগনি হায়রি। অসাম, মেঘালয়া অমসুং রাজস্থানগী মফম কয়াদা ঙসি নোং কন্না চুগনি।

বিভাগ অসিনা হায়-অৱাং নোংপোক ভারতকী মফমশিং-বিহার,

ছাতিসগর, হিমাচল প্রদেস, জম্মু কাশ্মির, লদাগ, উরিষ্যা, উত্তরাখন্দ, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং সিক্কিমগী মফম কয়াদসু ঙসি নোং কন্না চুগনি।

গঙ্গেতিক ৱেষ্ট বেঙ্গোল অমসুং ঝরখন্দ য়াওনা অৱাং নোংচুপ ভারতকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি-হুমনি অসিদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি।

**স্পেস (এল)ঃ** অনিশুবা নেসনেল স্পেস ডে সেলেব্রেসন ২০২৫ ঙসি নোর্থ এ.ও.সিদা লৈবা হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো), নোর্থ ইষ্টর্ন স্পেস এপ্লিকেসন সেন্টরস (নিসাক), মনিপুর রিমোট সেন্সিং এপ্লিকেসন সেন্টর (মারসাক) অমসুং ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি (আই.আই.আই.টি.) মনিপুরনা পুন্না শিনবনি।

ঙসিগী পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী হীরমদি-অরিয়াভট্টা টু গাগনয়ান হায়বসিনি। ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা স্পেস সাইন্স, টেকোলোজি অমসুং মসিগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা হেন্না ভাব তাহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা, মহৈরোই, ওজাশিং, রিছাসরস অমসুং তোঙান তোঙানবা লমশিংদগী দিলিগেটশিংনা শরুক য়াখি।

**দোন্নরঃ** কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হায়ৱেজ মন্ত্রালয়না অৱাং নোংপোক লমদমদা পুন্না নেসনেল হায়ৱে কিলোমিটর লিশিং ১৬,২০৭ শেমগৎখি। চহি অসিগী এপ্রিলগী তাং অমা ফাওবদা রেলৱে প্রোজেক্ট ১২ পায়খৎখি।

রাজ্য সভাদা ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা কেন্দ্রগী দোন্নর রাজ্য মন্ত্রি-ডা: সুকান্ত মজমদারনা হায়-প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সড়ক য়োজনাগী মখাদা অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা থোং লিশিং ২,৩৯৮ অমসুং কিলোমিটর লিশিং

৮৯,৪৩৬ শাংবা লম্বী পায়খৎনবা শেন্থং থাদখি। মসিগী মনুংদা কিলোমিটর লিশিং ৮০,২৩৩ অমসুং থোং লিশিং ২,১০৮ শেমগৎপা লোয়রে।

লমদম অসিগী খুঙ্গংশিং অমসুং মনুং হুনজিনবা মফমশিংদা ইন্টরনেট, ব্রোদবেন্দ অমসুং মোবাইল সার্ভিস ফংহন্নবগীদমক দিজিটেল ভারত নিধিগী মখাদা থবক কয়ামরুম পায়খৎলে। গ্রাম পঞ্চায়ট লিশিং ৬,৩৫৫ ভারত নেট প্রোজেক্টকী মখাদা থবক পায়খৎলে। মসিগী মথক্তা মোবাইল টৱার লিশিং ৩,২৯৭ খিল্লে।

সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়না রিজনেল কন্নেক্তিভিতি স্কিম-উরে দেস কা আম নাগরিক (উরান) স্কিমগী মখাদা নোংথক্কী লম্বী ৯০ দা এরোপ্লেন পাইথোক পাইশিন তৌদুনা ইয়ারপোর্ট অমসুং হেলিপোট ১২ শমহল্লে।

প্রাইম মিনিস্তর দিবলপমেন্ট ইনিসিয়েটিব ফোর নোর্থ ইর্ষ্টন রিজন স্কিম কেন্দ্রগী বজেট ২০২২-২৩ দা লাউথোকখিবগা লোয়ননা চহি মরিগী ওইনা লুপা কোতি লিশিং ৬,৬০০ কায়থোকখি। মহাকা হায়-অৱাং নোংপোক লমদমদা টৃরিজম সেক্তর হেন্না চাউখৎহন্নবা অৱাং নোংপোক লমদমগী রাজ্য ৮ দা অহেনবা শেনফম থাদখি।

**শ্যাম (এল)ঃ** করাম শ্যাম এম.এল.এনা হায়রি-ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিংনা থৱায় য়াওনা হোৎনরবদি শেন্থোক লম্বী লৈবা মায় পাক্লবা মীওই অমমম শোয়দনা ওইবা ঙমগনি।

দাইরেক্তোরেট ওফ ত্রেদ, কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রিজনা স্পোন্সর তৌদুনা সোসিএল দিবলপমেন্ট সোসাইতিনা শিনদুনা চয়োল অমা চুপা চথুরকপা মোবাইল ফুথ প্রোসেসিং ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম লোয়শিনবগী থৌরম ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লিলোং চজিং মাইরেনখোং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপদা শরুক য়ারদুনা শ্রী শ্যামনা হায়-মনিপুরগুম্বা অপিকপা রাজ্যদদি অপিক অপিকপা উদ্যোগশিং মায় পাকা পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ। হৈ-রাগী পোৎলম শাবা

মতমদা মহাউ লৈনা মীয়ামা পামগদবা মওংদা নীংথিনা শেম শাদুনা পুথোক্লবদি, পোৎথোকশিং অদু য়োনবগী অৱাবা লৈরোই। মরম অদুনা, লম অসিদা থবক তৌরিবা ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিংনা থৱায় য়াওনা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দি.আই.সিগী জেনরেল মেনেজর-অহৈবম লোকেন্দ্রোনা হায়-হৈ রাগী পোৎলমশিং শেম শাবা মতমদা থৱায় য়াওনা হোৎনবা মীওইশিংদা বেঙ্কশিংনা লোন পীরি। মসিনা মখোয়গী পোৎথোক পুথোকপগী চাং হেনগৎহন্দুনা হেন্না চাউখৎহনবা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা, হৈ-রাগী পোৎলমশিং শেম শাবগী ত্রেন্নিং লোইরবা ত্রেনিশিংদা সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি মীওই অমত্তা কোবিদ নাইন্তি পোজিটিব ওইখিদে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদগী মীওই ১১ টেষ্ট তৌখি। হৌজিক রাজ্য অসিদা পুন্না এক্তিব কেস ১০ লৈরি। মীওই অমা নাবা ফদুনা দিচার্জ তৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা নাবা ফখিবা অপুনবা মীশিং ৩৪৩ শুরে।

**ষ্ট্রাইক (এল)ঃ** লেকচর এসোসিয়েসন ওফ মনিপুর-২০১৮ বেটচনা পেন দাউনগী খোঙজং চংশিল্লিবা অসিবু শৌগৎতুনা ইম্ফল ইষ্টকী লমলাই হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোইশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে।

খোঙজং অদুদা মহৈরোইশিংনা ওজাশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ মরুওইনা রিগুলারাইজেসনগী লোয়শিন্দনা লৈরিবা থবকশিং লোয়শিনবীবা অমসুং রিগুলর ওজা অমগী ফংফম থোকপা শেনফমশিং ফংহনবীয়ু হায়বা দাবীশিং তকশিনখি।

**কাউ (এল)ঃ** সেন্ত্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতি, ইম্ফালগী ইং ২০২৫-২৬ কী ওইনা বি.এস.সি. ওনরস, এগাকলচর বি.এস.সি. ওনরস, নেচরেল ফার্মিং-বি-টেক (ফুদ টেকোলোজি), বি-টেক এগ্রীকলচরেল ইঞ্জিনিয়ারিং, বি.এস.সি. ওনরস কম্ম্যুনিতি সাইন্স, বি.এস.সি. ওনরস, ফুদ ন্যুত্রিসন এন্দ দাইটেটিক্সকী ওইবা চহি মরিগী কোর্সশিংগীদমক এপ্লিকেসন ফোর্মশিং থাজিল্লকপা য়ারগনি হায়না দিরেক্তোরেট ওফ এগ্রীকলচরগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অকুপ্পা মরোল দাইরেক্তোরেট অসিগী টেলিফোন নম্বর-৮৪৭-১৯৩৫-৫৬৯, ৯৭৭-৪৬৭-৯৮৮১ অমসুং ৭৩০-৮৯৪-০০৫১ দগী খঙবা য়াগনি।

**কেবিনেটঃ** কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা প্রধান মন্ত্রি কিষান সমপরা য়োজনাগীদমক লুপা কোতি লিশিং ৬,৫২০ কায়থোকপদা অয়াবা পীখ্রে। শেনফম অসি ১৫ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী শরুক্কী মনুং চন্না কায়থোকপনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি নংথিল পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা অয়াবা পীখ্রবা শেনফম অসিগী মনুংদা ইন্টিগ্রেটেদ কোল্ড চেন এন্দ ভেল্যু এদিসন ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী মখাদা লুপা কোতি লিশিং অমা চংনা মল্টি প্রদক্স ফুথ ইরাদিয়েসন য়ুনিট ৫০ লিংখৎনবা য়াওরি। শেনফম অসিগী মনুংদা ফুদ সেফতি এন্দ ক্বালিতি এসুরেন্স ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী মখাদা ফুদ টেষ্টিং লেফ ১০০ লিংখৎপা য়াওরি।

কেবিনেট কমিতি ওন ইকোনোমিক এফিয়ার্সনা মহারাস্ত্রা, মধ্য প্রদেস, নোংচুপ বেঙ্গোল, বিহার, উরিষ্যা অমসুং ঝরখন্দগী জিলা ১৩ কোনশিনগদবা মল্টি ত্রেক্কিং প্রোজেক্ট মরি অয়াবা পীরে। মসিনা হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়ান রেলৱেগী নেটৱার্ক কিলোমিটর ৫৭৪ হেনগৎহনবা ঙম্লগনি। মসিগী অপুনবা শেনফমনা লুপা কোতি লিশিং ১১,১৬৯ নি অমসুং ইং ২০২৮-২৯ ফাওবগী

মনুংদা লোয়শিনগদবনি। প্রোজেক্ট অসি পায়খৎলিঙৈ মনুংদা মীওই লাখ ২২৯ থবক পীরগনি।

**সংসদ ঃ** বিহারদা পায়খৎলিবা ইলেক্ট্রোরেল রোলগী স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজনগী মতাংদা বিরোধি দলশিংনা খন্ননবা দাবী তৌবদগী চরাংনবা থোক্তুনা সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম ঙসিগী ওইনা নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখ্রে।

লোক সভাদা মীফম অনিরক অমসুং রাজ্য সভাদনা মীফম অহুমলক য়ৈথোকখি। লোক সভাদা অনিরক য়ৈথোক্লুরবা মতুং নুংথিল পুং মরিদা অমুক ফম্বা মতমদা কেন্দ্রগী কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ মন্ত্রি-পিয়ুস গোয়লনা হায়-ভারতকী পোৎথোকশিংদা আমেরিকানা টেক্স চাদা ২৫ লৌনবা লাউথোকখিবা অদুগী মতাংদা সরকারনা য়েংশিল্লি।

মহাকা হায়-লৌমী, ওন্টরপ্রেন্যুয়র, এম.এস.এম.ই অমসুং উদ্রোগকী মীওইশিং য়াওনা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা তান্নদুনা ভারতকী স্বার্থ ঙাকবা লৈবাক অসিনা ৱারেপ লৌগনি। মদুগী মতুংদা, অধ্যক্ষ-ওম. বিরলানা জিরো অৱার চথনবা হোৎনখি অদুবু মায় পাকখিদে। নুংথিল পুং অনি তাবা মতমদা সভাগী মীফম চথনবা হোৎনবদা বিরোধিনা মখোয়গী খোঙজং মখা তানা চংশিল্লকপদগী সভাগী মীফম নুংথিল পুং মরি ফাওবা য়ৈথোকখিবনি।

রাজ্য সভাদসু ফিভম অদু চপ মান্নখি। নুংথিল পুং অনিদা সভাগী মীফম অমুক হন্না ফম্বদা বিহারগী ইলেক্তোরেল রোলগী স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন য়াওনা অতৈ হীরম কয়াগী মতাংদা বিরোধিনা খোল্লাউ কয়ামরুম লাউখি। চরাংনবা সভাগী চেয়ারমেননা সভাগী মীফম নুংথিল পুং মরি মখায় ফাওবা য়ৈথোকখি।

**দুরান ঃ** ১৩৪ শুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান কপগী গ্রুপ (এফ) কী মেটচ অমদা ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিম অমসুং রেয়েল কাশ্মির এফ.সিগা নুংথিল পুং মরি

তাবা মতমদা ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।

গ্রুপ অসিগী মেটচ ঙরাংদগী হৌখিবনি। ঙরাং হৌবা নুমিৎতা নেরোকা এফ.সি. অমসুং ত্রাউ এফ.সি. পঞ্জাল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখিবনি। ত্রাউ এফ.সিগী মথংগী মেটচ লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা রিয়েল কাশ্মির এফ.সিগা শান্নগনি। নেরোকা এফ.সিগী মথংগী মেটচনা আগষ্ট তরেৎতা ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিমগা শান্নগনি। ঙসি গ্রুপ (বি) গী মেটচ অমদা কোলকাতাদা মোহোন ভগান সুপর জাইনগা মোহামেদন স্পেপটিং ক্লবকা কিশ্বর ভারতি ক্রিরঙ্গন ষ্টেদিয়মদা শান্নরি।

গ্রুপ (দি) গী অতোপ্পা মেটচ অমদা কোক্রাঝারদা বোড়োলেন্দ এফ.সিনা করবি অংলোং মোরনিং স্তার এফ.সিবু থোইখি। সাই ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা মেটচতা বোড়োলেন্দ এফ.সিনা পাঞ্জল ২-১ দা মায় পাকখিবনি।

**ক্রিকেট ঃ** ভারত অমসুং ইংলেন্দগী মেটচ মঙাগী এন্দরসন-তেন্দুলকর টেষ্ট সেরিজগী অরোইবা টেষ্ট মেটচ লন্দনগী ওভেল গ্রাউন্দদা হৌজিক চথুরি।

সেরিজ অসি ইংলেন্দনা ২-১ দা মাংজিল থারি। ভারতনা সেরিজ অসি দ্রো চৎননবা কন্না হোৎনরি। ঙসিগী মেটচ অসিদা ইংলেন্দনা টোজ ঙমদুনা ভারতপু হান্না বেটিং তৌহল্লি। হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং ফাওবদা ভারতনা ৱিকেট অনি তুরগা রন-৭২ লৌরি।